# জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা ফোঙদোকখিবদা জুলাই ২৪দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা য়াররোই, অনৌবা মতম লেপকদৌরি



টোকিও, মার্চ ২৩(এজেন্সী): মালেমগী ওইনা চহী ৪/৪ কান্নরগা পাঙথোকপা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ (ফেষ্টিভেল) ওইরিবা ওলিম্পিক গেমসগী ৩২রক শুবা এদিসনগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা জপানগী সিটি টোকিওনা গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোকপগী পরিংদা হৌখিবা চহীগী লোইরমদাইদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমদি য়ুনিটশিংনা গেমস অসি য়ৈথোকপা অমদি তোকপগী ৱাখল্লোল কয়া অমা ফোঙদোক্লখ্রবা মতুং ওলিম্পিক্স গেমসকী য়ুম্বু জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা লৈরিবা মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা হান্না লেপখিবা জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমস অসি লেপখিবা মতম অদুদা পাঙথোকপা য়াররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টরি সেসন অমদা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা মঙোন্দা হংলকপা ৱাহংদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা য়াগদ্রা হায়রবদি হৌজিক লৈরিবা মালেমগী কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী ফিভম অসিনা পাঙথোকপা ঙম্লোই হায়বগী পাউখুম পীগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি (আই ও সী)গী প্রসিদেন্ট থোমাস বেক্কা হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ৱারী শান্নখিগনি। মরু ওইনা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি মালেমগী মশিং য়াম্লবা লৈবাকশিংদগী শান্নরোয় লীশিং কয়া শরুক য়াগদবা মরম্না জপান লৈবাক খত্তদা ফিভম ফরবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী য়েংলগা খোঙথাং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা লাক্কদৌরিবা চয়োল মরিগী মনুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিতি, জপান লৈঙাক, ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী স্পোর্টসকী মকোক থোংবা লুপশিংগী ৱারোলশিং অদুগা পুন্না নৈনরবা মতুং চপ চানা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ য়ৈথোক্কনি নত্রগা তোক্কনি হায়বগী ৱারোল পীগনি হায়খি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী লৌখিবা ৱারেপ অদুদা মহাক্না সপোর্ট তৌরি। আই ও সীনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী স্পোর্টস ফেদরেসননা পীরকখিবা ৱারোলশিং অদু কুপ্না নৈনরবা মতুং লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎননবা শেম শারি হায়খি।



মমাঙদা জপানগী প্রসিদেন্ট সিনজো অবেনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতম অদুদা চপ চাবা মওংদা পাঙথোক্কনি হায়না লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টরি সেসনদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী লৈরিবা ফিভম অসিদা শান্নরোয়শিংগী হকশেলগী খোঙথাং লৌখৎতবা য়াদবা মরম্না হান্না লেপখিবা মতম অদুদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা য়ারোই হায়বগী ৱারোল থল্লকপনি।

মরক অসিদা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোকপা নত্রগা পাঙথোক্তবগী অরোইবা ৱারেপ অদু ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী লাক্কদবনি। জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা আই ও সীগী ৱারেপকা চুংশিন্নরগা পাঙথোক্কদবা থবকনি হায়খি।

পনবা য়াই, ঙরাং আই ও সীগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা পাউ অমদা চহী ৪/৪ লৈগা পাঙথোকপা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা ইভেন্ট ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি মতম য়ৈথোকপগী ওফিসল ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি। অদুবু ৱাফম অদু লাক্লিবা চয়োল মরিগী মনুংদা অরোইবা ৱারেপ ওইনা ফোঙদোক্কনি হায়খি।

টোকিও সিটিগী গভর্ণর য়ুরিকো কোইকেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা সিটি অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি তোকপগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। ৱারোল অসি মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। অদুবু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্লিবা প্রেসরনা অমদি জপানগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা ৱারোলশিং অসি য়েংলগা ওলিম্পিক গেমস অসি টোকিও সিটিদা অদুমক পাঙথোক্কনি। অদুবু মতম হোংদোক হোংজিন তৌবগী তঙাইফদবদি লৈ হায়খি।

মরকসিদা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতগী ওলিম্পিক গেমসকী মৈরা অদু ফুকুসিমা সিটিদা মীওই লিশিং ১০ রোমনা শরুক য়াদুনা টোর্চ রিলে অমা চেনগদৌরি। মদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মশাগী চহী ৬৬ শুরবা য়ুমিকো সিনিমোটোনা ফোঙদোকখিবদা রিলে অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওই অমদি য়েংবা লাক্কদৌরিবা মীওইশিংদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা অচৌবা চৈথেং অমদি পীরে হায়খি।

## আই ও এনা থা অমগী মতুংদা ওলিম্পিক্সকী অরোইবা ৱারেপ পীরগনি

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)না ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা লৈবাক অসিনা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা নত্রগা য়াদবগী অরোইবা ৱারেপ অদু থা অমা লৈরগা লৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শান্নবদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরী জেনরেল রাজিব মেহতানা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা হৌজিক ফাওবদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংলুরগা ওলিম্পিক গেমসকী মতাংদা য়াম্ন দ্রবদা চয়োল ৪দগী ৫ ফাওবগী মতম লৌরগা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী ৱারোল খঙলবা মতুং লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ৱারেপক্কা পুল্লগা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসকী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল ফোঙদোক্কনি হায়খি।

রজিব মেহতানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লৈরিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী ফিভম য়েংলুরগা ইন্দিয়াগী ওইনদি কা হেন্না শোকচিনবা লৈত্রি। অদুবু চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবা য়াদে হায়খি।

## কানাদানা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াররোই হায়খ্রে

কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি য়েংলুরগা জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা কানাদা লৈবাক্কী মায়কৈদগী শরুক য়াররোই হায়না লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং পেরালেম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

কানাদা লৈবাক্তা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ১৪৭২ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা ঙসি ফাওবদা লায়না অদুনা মরম ওইরগা মীওই ২০ শীহনখ্রবনি।

কানাদিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং পেরালেম্পিক কম্মিতিনা ঙরাং লৌখিবা ৱারেপ্তা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা টিম কানাদা শরুক য়াররোই হায়না ৱারেপ লৌখি।

কানাদিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং কানাদিয়ন পেরালিম্পিক কম্মিতিনা অথুবা মতমদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং ইন্টর্নেসনল পেরালেম্পিক কম্মিতি অমদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনদা মীয়ামগী য়েংলগা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোক্লননবা অপিল তৌখ্রবনি।

## এ ও সীনা শান্নরোয়শিংদা ২০২১ ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা হৌহনখ্রে

ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতি (এ ও সী)না ঙসি ফোঙদোরকপা ৱারোলগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক কুমজা ২০২১গী ওইনা শেম শাবা হৌননবা খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিনা হৌজিক ফাওবদা মালেমগী লৈবাক ১৯২দা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মতুং মীওই লিশিং ১৫ হেন্না শীহনখ্রবনি। মরক অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনা মীওই ১৭১৭ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লি। অদুগা মীওই ৭ শীহনখি।

হায়রিবা ফিভম অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিনা জপান ওলিম্পিক গেমস অসি শুংশোই শোইদনা য়ৈথোক্লগনি হায়না পান্নবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংনা চহীসিদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমস অদু ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা শেম শারো হায়খি।

ওষ্ট্রেলিয়া ওলিম্পিক কম্মিতিগী চীফ একজিক্যুটিব মেদ কেরোলনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী এথলেটশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা থাজবা পীবগা লোয়ননা ২০২১ ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা শেম শারো হায়খি।

## ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফান্তিনোনা ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস লাক্তনবা শান্নবা হৌহনগদৌরি



জেনেভা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): মালেমদা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ১৬ হেনবগী থৱায় মাঙহনখ্রবা মতুং মীওই লাখ ৩ হেন্না নাহল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা শান্নবগী লমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং হান্নগী সেদ্যুলশিং অদু লেপখ্রবা মতুং ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফান্তিনোনা ফোঙদোকখিবদা শান্নবা লেপখিবা অসিনা মরম ওইরগা ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস লাক্কদৌরিবা অসি থিংহৌনবা মশান্না অসিগী তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং অমুক হৌননবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইনফান্তিনোনা ন্যুজ এজেন্সী অমগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবদা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসিগী মতুং ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মেচ মশিং হন্থবা অমসুং কম্পিটিসন মশিংসু হন্থহন্নবগী পান্দম অমগা লোয়ননা ফিফাগী ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস লাক্তনবা থবক পায়খৎপা মথৌ তারে হায়খি।

মশান্না অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ফোর্মেটশিং শেমদোক্তুনা মশিং য়ামদবা অমদি হেন্না পুক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা টুর্নামেন্টশিং শীনবগী মথৌ তারি হায়খি। মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লব ৱর্ল্ড কপ অসিদা টিম ২৪ খক্তমক শরুক য়াননবা শীনগদৌরি।

## য়েলহৌ মশান্না কাং অসি চাওখৎহনগে হায়রবদি গভর্ণমেন্টকী খুথাংদা টুর্নামেন্ট কায়া পাঙথোকপীবা অমদি শান্নরোয়শিংবু শকখঙ চে পীবীবা মথৌ তাই : সোভা



থাংজম অরুনজিৎ

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুরগী য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা কাং মশান্না অসি হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকপীবা, ইন্টর ওফিস কাং টুর্নামেন্ট অমুক হিঙ্গৎহনবা, শান্নরোয়শিংবু শকখঙ চে পীবীবা, মশান্না অসিবু মফম কয়াদা চৎতুনা তাকপী তম্বীরবদি শোয়দনা চাওখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মণিপুর কাং এসোসিএসনগী সেক্রেটরী এলাংবম সোভানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাউচে অসিগা অখন্নবা উনরুবদা মহাক্না হায়খি, মণিপুর কাং এসোসিএসন অসি মতৌ করম্না লিংখৎলকখিবনো হায়বগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা কাং মশান্না অসিগী ষ্টেট লেভেল এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন কয়া লৈরম্মী। অসিগুম্বা এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন কয়া অসি অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা য়ুনিফিকেসন ওফ কাং মণিপুর কৌবা এদহোক কম্মিতি অমা শেমখি। কম্মিতি অসিনা অপুনবা এসোসিএসন অমা লৈনবগীদমক মিতিং কয়া পাঙথোক্তুনা হান্না লৈরম্বা এসোসিএসন খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবগা লোয়ননা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১২কী ফেব্রুৱারী ২৭তা মণিপুর কাং এসোসিএসন অসি শেমদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শকখঙ চে পীবিরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, য়েলহৌ কাং মশান্না অসি অঙনবা মতমদা



মীয়াম্না অশুক্কী মতিক পাম্নরম্মী। মরমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীৎয়েং চঙবীদুনা ইন্টর ওফিস কাঙ টুর্নামেন্ট, রেদিওগী খুথাংদা কম্মেন্টরী পীদুনা মশান্না অসিবু মীয়াম্না হেন্না পাম্নবগী মচাক অমা ওইহল্লম্মী। চহী খরগী মমাঙ কুমজা ১৯৮৯গী মতুংদা য়েলহৌ কাং মশান্না অসি শীথরকপগুম তৌরকখি। মরমদি ষ্টেট লেভেল কাং এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন মশিং য়ামখৎলকপা, অমগা অমগা মত খেন্নরকপা, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মখল অমত্তগী মীৎয়েং চঙদবা অসিদগী মশান্না অসি হন্থরকপগী মচাক অমা ওইহনখি।

হৌজিক্তিগী মণিপুর কাং এসোসিএসননা কাং মশান্না অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনদুনা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকপা ঙম্লে। টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খরা পল্লবদা সী সী মিট, চীফ মিনিষ্টর কাং ট্রোফি, লেট মঙশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট, লেট ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট, গোপাল দেব ট্রোফি, লেট কুলবিধু মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট, দল্লীয়ু নিপামচা মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট, লোংজম কুবের মেমোরিএল কাংটুর্নামেন্ট, মেঘা কাং টুর্নামেন্ট অসিনচিংবনি। সঙাই ফেষ্টিভেলদসু শরুক য়াদুনা য়েলহৌ মশান্না অসিবু মীয়ামদা উথোক্তুনা খঙহনবগী খুদোংচাবসু ফংলে।

অদুগা নুপীশিংতগী ওইবা কাং টুর্নামেন্ট কয়াসু চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুপীশিংগী ওইবা কাঙখুৎ খরা পল্লবদা গোপাল দেব কাঙখুৎ, থাংমৈবন্দ কাংখুৎ, হৈঙাং কাংখুৎ, এলাংবম লৈকাই কাঙখুৎ অমসুং জিরিবাম কাংখুৎনচিংবা কয়া অসিনচিংবনি।

লোয়ননা মণিপুরগী মপানদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা তারিবা মৈতৈ খুলশিংদগী হায়বদি অসামগী কছার, হোজাই, হাইলাকান্দি অমদি ত্রিপুরনচিংবদগী লাক্তুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ধনমঞ্জুরি ইনভাইটেসন কাং টুর্নামেন্টতসু শরুক য়ারি। অদুগা ইন্দিয়াগী মপানদা লৈরিবা বংলাদেশতা লৈবা মৈতৈ তাবা সেলেট, বানুবিন অমদি ম্যান্মারগী মৈতৈ তাবা খুলশিংদসু য়েলহৌ মশান্না অসিবু য়াম্না পাম্না হৌজিকসু শান্নরি হায়খি।

## স্রি লানকা ক্রিকেটনা কোরোনাভাইরস লান্থেংননবগীদমক লানকন রুপি মিল্লিয়ন ২৫ লৈঙাক্তা মতেং পাঙখ্রে



কোলোম্বো, মার্চ ২৩ (এজেন্সী): স্রি লানকাগী ক্রিকেটকী গভর্ণনিং বোদি ওইরিবা স্রি লানকা ক্রিকেটনা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংননবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্তা লানকন রুপি মিল্লিয়ন ২৫গী শেনথংগী মতেং পীখ্রে।

স্রি লানকা ক্রিকেটকী মায়কৈদগী ঙরাং থোকখিবা পাউগী চেরোল অমদা লৈবাক অদুগী হেল্থ ক্রাইসিস অমা ওইহল্লিবা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংননবা লৈঙাক্কী তেঙবাং ওইনা লানকন রুপি মিল্লিয়ন ২৫ অসি মতেং পীখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্রি লানকা ক্রিকেটনা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা দোমেষ্টিক ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পুম্নমক থিংজিনখ্রে। লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুদসু লৈঙাক্কী খোঙথাংশিং অদু ইন্দুনা য়ারিবমখৈ য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা স্রি লানকাদা মীওই ৯৫ খক কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লি। অদুগা শীবগী মশিং অমত্তা লৈত্রি।

স্রি লানকা ক্রিকেট বোর্দনা সোসল মিদিয়াগী মতেং লৌদুনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংবু মতেং পীদুনা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মায়োক্লবদা মখোয়বু নুংশিবা অমদি মতেং পীরিবা ভাবোকশিংনা মতেঙ পাঙবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং পুম্নমক পুন্না পায়খৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরকখি।

স্রি লানকা ক্রিকেটনা লানকন রুপি মিল্লিয়ন ২৫ লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লবদা লৈঙাক্কী মতেং ওইননবা পীখ্রবা মতুং লৈঙাক, হেল্থ অমসুং অতোপ্পা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং, স্রি লানকা আর্ম ফোর্সেস, পুলিস অমদি মরী লৈনবা কাংলুপ খুদিংমকপু কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি পুন্না লান্থেংনবদা মতেং পাঙমিন্নসি হায়খি।

স্রি লানকাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মহিন্দ রাজাপক্সানা মহাক্কী ত্বিটরদা স্রি লানকা ক্রিকেটনা লৈঙাক্তা কোরানাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মায়োক্লনবা লাকন রুপি মিল্লিয়ন ২৫ মতেং পাঙলকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/6098/4march to 7april




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com